# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

Volume No: 43 Issue: 316 | IMPHAL SATURDAY 12 OCTOBER, 2019 | থাংজ, মেরাগী ১৪ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

পূন্নমকপু নুংশিয়ু, খরতবু থাজৌ অদুগা কৈদৌনুংদা কনাদসু অরানবা তৌরুনু

## লোইরেদনা

হন্দক্তি দ্রগসি ফজনা ফারেনে, নুংতিগী ফারেনা য়াওরেনে...



খঙদ্রে তাদা, ফার–ফারগা করবারসে মগুণ লৈরব্রা কৈনো...

## হেক্তা হায়জিনবা

### জে এ সি

জে এ সি অমা শেমখরে
লূপ পূন্নমক্কী জে এ সি
ক্লব ওর্গনাইজেসনগী জে এ সি
মচোই মচোই তৌরদি
পাঙ্গল লৈররোই হায়দুনা
মীয়ান্না নুংশিদবনিনা
মশক ফাওবা য়েংনিংদবনিনা
অহানবা মিটিংদা জে এ সিগী
খন্নৈ নৈনৈ কমদৌসিগে
করম্না লৈবাক লাঙহনসিগে
মমৈদা ৱারেপ লৌখি
চেবাও থাসি খবরদা
টি ভিদা ৱাজাও থাদসি
লাইরিক তম্বা থুগায়সি
অদুগা তুমিন্না লৈথোকসি
জে এ সি অমা শেমখরে
লূপ পূন্নমক্কী জে এ সি

# ষ্টেন্দ অপ মণিপুর পায়খৎনবা লৈঙাক্না ঙসি ৱারেপ লৌগদৌরি

## ‘এম এস এম ই ব্যুজিনেসতা মণিপুরী নুপীনা মকোক ওইরি’

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা লৈরিবা মাইনোরিটি ফুরুপশিং, ও বি সি, এস সি, এস টিগী মীওইশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা পায়খৎকদবা ষ্টেন্দ অপ মণিপুর হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমদা ৱারেপ লৌগদৌরি।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়, ষ্টেন্দ অপ মণিপুর অসি পায়খৎলকপদা খুন্নাই অসিদা শোত্থনা লৈরিবা ফরুপশিংগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনি। লৈঙাক অসিনা গো টু ভিলেজগী মখা তাবা থবকশিং চত্থবা হৌরগনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম এন্টরপ্রাইজেজ (এম এস এম ই)গী ব্যুজিনেসতা নুপীনা মপু ওইবগী চাং অসি ইন্দিয়াগী ওইনা চাদ ২০ ওইবা মতমদা মণিপুরনা চাদ ৫০ ওইরি।

মণিপুরনা এম এস এম ই সেক্টরদা পীরিবা সেয়ার অসি নেসনেলগী লৈরিবা থাক্তগী হেল্লি। মণিপুরগী মীশিংনা লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদ ০.২ ওইবা মতমদা এম এস এম ই ব্যুজিনেসতা মণিপুরগী সেয়ার অসি চাদ ০.৩ ওইরিবনি।

মণিপুরনা এম এস এম ই ব্যুজিনেস রেজিষ্ট্রেসনদা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অপুনবা মশীংদগী মণিপুরখক্তদা তৌবা হেল্লি। কুমজা ২০১৫ দগী ২০১৯ ফাওবদা মণিপুরদা ব্যুজিনেস রেজিষ্ট্রেসন ১২,৪৩৮ ওইবা মতমদা অৱাং নোংপোক ষ্টেট অপুনবগী ওইনা পুন্না ৬৬৯৫ রেজিষ্টার তৌখি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরগী ওইনা এম এস এম ইগী গ্রোঠ অসি ষ্টেট টেক্সেসন দিপার্টমেন্টকী দাটানা অচুম্বনি হায়বা উৎলে। মণিপুরগী ওইনা এম এস এম ই ব্যুজিনেস অসি পুন্না ৬৫৩ দগী ১৬,৩৮১ দা হায়গৎলকখি। মসি হৌখিবা চহী ১৫ দা ওইখিবা কম্পাউন্দ এন্যুৱেল গ্রোঠ রেটকী চাদ ২৫ ওইরিবনি। অপুনবা মশীং ১৬,৩৮১ অসিগী মনুংদা চাদ ৬০ দি অনৌবা লৈঙাক্কী মতমদা ওইরকখিবনি।

মণিপুর অসি এম এস এম ই ব্যুজিনেসতা মী লাক্ষ অমগী পোপ্যুলেসনগী ওইনা য়েংবদসু খ্বাইদগী য়াম্না ৱাংলি। মসি নেসনেল এভরেজদগী ৱাঙনা চৎলি। ইন্দিয়াদা মী লাক্ষ অমগী পোপ্যুলেসন লৈবা মতমদা এম এস এম ই ব্যুজিনেস ৪৭৭০ ওইরি। অদুবু মণিপুরগী ওইনা এম এম এম ই ব্যুজিনেস ৬৫০০ মী লাক্ষ অমগী পোপ্যুলেসন্দা ওইরি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মণিপুরগী জি এস দি পি অসি *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

# ওক্টোবর ১৫ দা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি: কোরকোম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ ঃ নমথাক্কী মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীহন্দুনা মণিপুর (কংলৈপাক) বু ইন্দিয়াদা তিনশিনখিবা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চহী খুদিংগী ওক্টোবর ১৫ বু নেস্নেল ব্লেক দে (লৈবাক্কী অমম্বা নুমিৎ) হায়না কোরকোমনা লাউথোক্তুনা লাক্লি। মমাঙ চহীগী মতৌগুম্না হন্দক্কী ওক্টোবর ১৫ অসিদসু মণিপুর (কংলৈপাক) পূম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়ানা নমথাক্কী মর্জর এগ্রীমেন্ট অমদা মণিপুর (কংলৈপাক) গী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু নম্ফুদা খূৎয়েক পীহন্দুনা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি ইন্দিয়াদা তিনশিনহনখি। ইন্দিয়াদা তিনশিনহনখিবা নুমিৎ কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ অসি হৌখিবা চহী কয়াদগী মীয়ামগা লোয়ননা নেস্নেল ব্লেক দে– লৈবাক্কী অমম্বা নুমিৎ হায়না নীংশিংদুনা লাক্লি। অসুম্না মণিপুর (কংলৈপাক) গী পুৱারী লৈবাক্কী অমম্বা নুমিৎ কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ বু নীংশিংদুনা থা অসিগী ১৫, নুমিৎ অসিদা কোরকোমনা মহৌশাগুম্না মণিপুর (কংলৈপাক) পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে। মরম অদুনা নুমিৎ অসিদা ইরৈচা খ্বায় পূন্নমক্তনা ইশা ইশাগী শিন্থা লেপ্পীদুনা ইরৈপাক মীয়ামগী নীং–খা তম্বা মৎখিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা পূন্না লেপমীন্নরসি।

ইরৈচাশিংনা হেন্না খঙবিরে, বৃটিশকী মখূৎতগী নীং–খা তন্নবা মতুং ইন্দিয়ানা *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TOURISM.

N O T I C E

Imphal, dated, the 11th October 2019.

No. 1/416/2019- DTSM : In pursuance of Secretariat : Tourism Department orders no 25/1/2018 –TSM dated the 21st April 2018 , Notice is hereby inform of all concerned that this year edition of Shirui Lily Festival 2019 has the provision of Stall at TNL ground, Ukhrul . The total no of Stall is 120 and the size of the stall is 10 X 10 sq. ft.

2. Any interested persons, firms , private entrepreneurs who have registered documents can apply for stall in plain paper stating details of the activities to be showcashed along with the registered documents on or before 14.10 2019( 12 noon) to the undermentioned address.

To
The Director
Tourism Department , Manipur.

To
The Deputy Commissioner
Ukhrul District, Manipur.

3. That the allotment of stall among the District and the rest will be 70 : 50 . 70 Stall is reserved for the District while 50 will be for the State and outside the state.

4. That the allotment of stall for the first 70 nos shall be done by the Cultural Sub- Committee and Autonomous District Council, Ukhrul whereas remaining 50 stalls shall be done by the Deputy Commissioner , Ukhrul District and Director , Tourism . The above action shall be made under the supervision of the Chairman, District Cordination Sub- Committee. The allotment shall be completed on 14.10 2019 at 3 p.m. The final list of selected applicants for stall will be made before 4 p.m. of 14.10.2019.

Sd/-
( W. Ibohal Singh )
Director, Tourism.

SL/B(E)/12


# মোরেদা বোম পোকখায়খ্রে

## কুকিশিংনা মতম কক্তবা বন্দ কৌখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ১১ (এস এন এস) ঃ তেল্লবা নুমিৎ খরনি অসিদা মোরেদা থোকখিবা অহুল্লক শুবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমা ওইনা ঙসি নুমিদাং পূং ৭.৫৮ রোম তাবদা মোরে ৱার্দ নম্বর ৮, ঙমখি ভিল্লেজদা লৈবা কে এস ওগী ওফিস কম্পাউন্দ ৱালদা মতীক ময়াই চেল্লবা বোম অমা পোকখায়খ্রে।

বোম পোকখায়খিবা মফম অদু মোরেদা লৈবা ৪৩ এ আরগী ইন্সপেক্সন বঙ্গলোগা য়াম্না নক্লনা লৈবা মফম অমসুনি। বোমগী শাফুনা কে এস ও ওফিসকী কম্পাউন্দ ৱাল নীংখায়হনখি। মফম অদুদগী ফক্তুনা পুরকপা চেক অমসুং নুঙ মচেৎশিং মিটর ১০০ হেনবা মফম ফাওবা চায়থোক্তুনা তাখি। থৌদৌ অদু হেক থোকপগা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিং অমসুং মোরে পুলিসকী এ এস পিনচিংবা কয়ামরুম থোমজিল্লকখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, খোয়শাওনরবা মীয়াম্না অসাম রাইফলসকী আই বি মনাক *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

# পোক্সো– চহী ৭০গী অহল ১ চহী ১৫ গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (এস এন এস) ঃ হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ২২ দা চহী নৌরিবী মহেরোই নুপীমচা অমদা পেনেট্রেটিভ সেক্সুচুয়েল এসোল্ট চত্থখিবা কনভিক্ত অমা ঙসি স্পিসিয়েল জজ পোক্সো ইম্ফাল ৱেষ্টনা চহী ১৫ গী ফাদোক পীখ্রে অমদি ফাইন ওইনা লুপা লিশীং ১০ থিহনখ্রে।

ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বীদা লৈবা একুজ কোঞ্জেংবম নিপামচা (৭০) পোক্সোনা এক্তকী সেক্সন ৬ কী মখাদা কোর্ট অসিনা মরাল লৈরে হায়না হৌখিবা থা অসিগী তাং ৭ তা লাউথোকখিবনি। লোয়ননা ঙসি সেন্টেন্স হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা মহাক্কী চৈরাক অদু লাউথোকখিবনি।

স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অদুনা পল্লিবদি, কোঞ্জেংবম নিপামচা (৭০) পোক্সো এক্তকী সেক্সন ৬ কী মখাদা পেনেট্রেটিভ সেক্সুচুয়েল এসোল্ট চত্থরম্বগী কনভিক্ত পীখ্রবনি। মহাক্না চত্থখিবা ক্রাইম অদু কা– হেনবা ওইবনা খ্বায়দগী শাংবা ফাদোক্কী *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

